# প্রাইম মিনিষ্টরনা অনৌবা মিনিষ্টরশিং লোক সভাদা শক তাকখ্রে



প্রাইম মিনিষ্টরনা নৌনা মিনিষ্টর ওইরক্লবশিং লোক সভাদা শক তাকখিবা

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ঃ*

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি লোক সভাগী নোংজু মীফমগী অহানবা নুমিৎতা নৌনা মিনিষ্টর ওইরক্লবা মীওইশিং মশক তাকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা অনৌবা মীওই ১৯ চৎলিবা থা অসিগী জুলাই ৫দা হাপচিনখ্রে। চৎনবীগী মতুং ইন্না মোদিনা নৌনা মিনিষ্টর ওইরক্লবা মীওইশিং অদু ঙসিদগী চত্থবা হৌখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা মশক তাকখ্রে।

শক তাকখ্রবশিং অদুগী মনুংদা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট পায়রগদবা প্রকাস জভাদেকর য়াওনা অতোপ্পা মীওইশিং বিজয় গোয়ল, অনিল মাধব, ফগন সিংহ কুলাস্তে, এস এস অলুৱালিয়া, রামদাস অথৱাল, রামেস চন্দ্রপাল, রাজেন গোহেন, পুরুসোতম রুপালা, এম জে অকবর, জস্বান সিনহ সুমনাভাই ভাধোর, আরুন রাম মেগৱাল, মহেন্দ্রনাথ পান্দে, অজয় তামতা, মান্সুখ মন্দাভিয়া, অনুপ্রিয়া পটেল, সি আর চৌধারি, পি পি চৌধারি অমসুং সুবাস রামরাও আমরে য়াওখি।

ঙসি লোক সভাগী অহৌবা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টর অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টরশিংগী থৌ পুরগদবশিং মশক তাকখি। মমাঙদা কোনরাট কোঙ্কাল সাংমা মেঘলয়াগী টোরা কন্সটিটু্যয়েন্সিদগী নেসনেল পিপলস পার্টিগী টিকেটতা কারক্তুনা ৱাশক লৌখি।

টোরা সিটতা হান্নগী ভেটেরিয়ান লুচিংবা পি এ সঙমানা ভোট কারকখিবা মফমনি। চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা মহাক লৈখিদ্রবা মতুং মরক্কী মীখল পাঙথোকপদা হায়রিবা মীওই অদু কারকখিবনি হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ৮০০কী তলব হেনগৎপগী ৱাফম চাদ ১০০ লোয়শিনখ্রবা মতুং মেম্বরশিংগী থাগী তলব লুপা লিশিং ৫০দগী লাক্ষ ১দা হেনগৎপগী ৱাফমসু পুথোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এম পি কম্মিটিনা রিকমেন্দ তৌরকপা তলব অমসুং এল্লাৱেন্স হেনগৎপগী ৱাফম অদু সাইন তৌগদ্রা নত্রগা তৌরোইদ্রা হায়বা ৱাফম অদুতা ঙাইরে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা চৎলিবা সেসন অসিদা মপুং ফাবা ৱাফম পুখৎলক্কনি। মীফম অদু আগষ্ট ৫দা লোয়গদবনি। এম পিশিংগী তলব হেনগৎপগী ৱাফম অদু চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল ১দগী ইফেক্ট তৌগদবনি হায়রি।

এম পিশিংগী তলব হান্না ফংলম্বা অদুদগী শরুক অমা হেনগৎতুনা লুপা লিশিং ৫০দগী লাক্ষ ১দা লাক্লগনি। মদুতা নত্তনা এম পিশিংগী ওফিসিয়েল হোমগী ফর্নিচর শেম শাবগী মতাংদসু হান্না ওইরম্বা অদুদগী তঙ্খায় অমা হেনগৎলগনি হায়রি।

হান্না এম পি ওইরম্বশিংগী থাগী পেন্সন লুপা লিশিং ২০দগী ৩৫দা হেনগৎলগনি। এম পিশিংগী পীবা য়াবা কম্পেনসেসন হান্না লুপা লাক্ষ ১.৯০ ওইরম্বদগী লুপা লাক্ষ ২.৮০ তা থা অমগী ওইনা হেনগৎলগনি। এম পি খরনা ফিভম অদুদা য়ানিংবা উৎলি। অদুম ওইনমক এম পি খরনদি মখোয়না ইনক্রিমেন্ট পীবগী ৱাফম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

সি পি এমগী লুচিংবা এম রাজেসনা হায়, তলব হেনগৎলিবা অদু য়ানিংদে। মখোয় মীয়ামগীদমক থবক তৌবা মীওই অমনি। হান্না ফংলিবা শেনফম অদু মতিক চারে। হেনগৎলক্লিবা ফিভম অদু ময়েক শেংহনবগা লোয়ননা মখোয় মশানা লেপচনবগী তাঞ্জা অদু ফংদ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

# চাইনাদা টাইফুন নেপরটকনা শীহনখিবা মীগী মশিং ৮৩ শুখ্রে



চাইনাদা টাইফুন নেপরটকনা ওইহনখিবা ফিভম

*বৈজিং, জুলাই ১৮ঃ*

চাইনাগী নোংপোক থংবা ফুজিয়ান প্রোভিন্সতা হুমজিল্লকখিবা টাইফুন নেপরটকনা শীহনখিবা মীগী মশিং ৮৩ শুখ্রে। অদুগা মীওই ১৯না থিবা খঙদ্রে।

লৈবাক অদুদা হন্দক কুমগী নোংনা ঈচাও অমসুং লেন্দ স্লাইদনা মীওই ৩০৯ সু শীহনখ্রবনি। টাইফুননা ফুজিয়ান প্রোভিন্সকী কোনুং ফুজৌগী মনুং চনবা মিনকিং কাউন্টিদা চাওনা শোকহনখি। লমদম অদুদা মীওই ৭৩ শীহনখ্রে হায়বগী পাউ লৈ। অদুগা মীওই ১৭না মাংখ্রে হায়রি।

টাইফুন নেপরটক থা অসিগী ৯দা ফুজিয়ান প্রোভিন্সতা হুমজিল্লকখি। মমাঙদা ঈচাও অমসুং নোংনা মরম ওইরগা মীওই ৩০৯ শীহনখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীগী মশিং ১১২ শুরে হায়রি।

চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্সতা ঈচাওনা মীওই কয়া কোয়শিন্দুনা লৈখ্রে। বুহান সিটিগী মীওই ২০০ রোমসু অৱাবা নংহল্লে। সহর অদুদগী মীওই কয়াসু শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখিবা লৈখ্রে হায়না লোকেল ফ্লদ কন্ট্রোল ওফিসনা ফোঙদোরক্লি।

খুদোংথিবা নংলবা মফম অদুদগী মীওই লিশিং ১ রোম হেন্না কনবা ঙমখ্রে। ঈশিংনা কোয়শিন্দুনা লৈরুরবা মীওই ৭০সু মী কনবা কাংবুনা শাফগদবা মফমশিংদা থাংদোকখ্রে।

টাইফুন নেপরটকনা পুন্না ঙসি ফাওবদা শীহনখিবা মীগী মশিং ৮৩ শুখ্রে। লমদম অদুদা মাং-তাক্লিবশিং অদু য়ুৱান বিল্লিয়ন ৭.১ রোম ওইগনি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

মিনকিং কাউন্টিগী লৈঙাক্কী দিপ্যুতি চীফ হুৱাং সিয়াংনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অদুদা মীওই কয়া শীখ্রে। মৈ অমসুং ঈ-পাউগী থবক খুদিংমক লেপখ্রে হায়রি।

লৈবাক অদুগী মফম খরদা থোক্লিবা খুদোংথিবা থৌদোকশিং অদুদা মথৌ নিংথিনা তৌদে হায়বগীদমক লাৱর-রেঙ্কিং ওফিসার অনী সসপেন্দ তৌখি। নোংলৈ-নুংশিৎনা শোকহল্লবা মফমশিং অদুদা য়ুৱান মিল্লিয়ন ১৭০ মতেং ওইনা পীরগনি হায়নসু প্রোভিন্সিয়েল গভর্নমেন্টনা লাউথোকখি।

খা থংবা চাইনাগী সমুদ্রদা টাইফুন লাকপা অনৌবা অমা নত্তে। সমুদ্রগী অশাবা ঈশিং অমসুং কংফালগী লমদা ওইরিবা অইং-অশাগী ফিভমনা মরম ওইরগা নোংলৈ-নুংশিৎ কয়া লাকহনবগী মরম ওইরি হায়রি।

| GAS TODAY |
|---|
| **MAIBIA, MOIRANG** |
| Booking upto Date |
| Stk......................438 (DBTL) |
| Timing.........7.00 to 10.00 am |
| **MM GAS** |
| Booking upto .......06/06/2016 |
| Stk......................306 (DBTL) |
| Timing.........7.00 to 10.00 am |
| **TDK GAS** |
| Booking upto .......03/06/2016 |
| Valid from ........... 29/05/2016 |
| Stk......................612 (DBTL) |
| Timing.........7.30 to 11.30 am |
| Submit Aadhaar Card |
| **HRANGCHAL GAS AGENCY** |
| Booking upto .......11/07/2016 |
| Valid from ........... 07/07/2016 |
| Stk......................306 (DBTL) |
| Timing.........7.30 to 10.30 am |
| **LEIBAKLEI GAS, KAKCHING** |
| Booking upto .......02/06/2016 |
| Valid from ........... 23/05/2016 |
| Stk............612 DNSC (DBTL) |
| Timing...........7.30 to 12 noon |
| **KHUMBONG INDANE** |
| Booking upto .......14/06/2016 |
| Valid from ........... 06/06/2016 |
| Stk.................................306 |
| Timing.........7.30 to 10.30 am |
| **MAHALAKSMI INDANE GAS** |
| Booking upto .......03/05/2016 |
| Valid from ........... 18/04/2016 |
| Stk......................306 (DBTL) |
| Timing.........7.00 to 10.00 am |
| **ASHANGBI INDANE, SUGNU** |
| Booking upto .......15/06/2016 |
| Valid from ........... 07/06/2016 |
| Stk.................................306 |
| Timing.........7.00 to 11.30 am |
| **K & K INDANE SERVICE** |
| Booking upto Date |
| Stk......................306 (DBTL) |
| Timing.........7.30 to 11.30 am |
| First Come First Service |
| **CANCHI INDANE SERVICE** |
| Booking upto .......01/07/2016 |
| Valid from ........... 26/06/2016 |
| Stk 14 kg.....594, 19 kg ..... 36 |
| Timing.........7.00 to 11.00 am |
| Submit Aadhaar Card |
| **GBD, LAMLONG** |
| Booking upto .......22/06/2016 |
| Valid from ........... 07/06/2016 |
| Stk ......................612 (DBTL) |
| Timing.........7.00 to 11.00 am |
| **MANIPUR GAS** |
| Booking upto .......28/06/2016 |
| Valid from ........... 25/06/2016 |
| Stk ...306 (DBTL), 19 kg .. 36 |
| Including Home Delivery |
| Timing...........7.30 to 9.30 am |

# নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা লৈবাক অসিগী ষ্টেট ৪দা মীওই ২১ শীরে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ঃ*

উত্তরখন্দ, উত্তরপ্রদেশ, রাজস্থান অমসুং অসামদা কুমগী নোংনা মরম ওইরগা শীহনখিবা মীগী মশিং য়ামদ্রবদা ২১ শুখ্রে।

উত্তরখন্দদা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শীখ্রে। টেহরি দিষ্ট্রিক্টতা লেন্দ স্লাইদ থোকপনা মরম ওইরগা কার তোংদুনা লাকপা মীওই ৪গী পুন্সি মাংহনখ্রে। উত্তরকাসি দিষ্ট্রিক্টতা নোংনা মরম ওইরগা অচৌবা উ পাম্বী অমা তেক্তুনা য়ুমদা তাশিল্লকপদা মীওই ২ শীখি।

অকনবা নোংনা মরম ওইরগা গঙ্গা, জমুনা তুরেলগী মশাশিং মরু ওইনা ভগিরথি, অলকনন্দ অমসুং মন্দাকিনি তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লি। মদুনা মরম ওইরগা তুরেলশিং অদুগী তোর্বানদা লৈবা মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে।

মথংগী পুং ২৪দসু মখা তানা অকনবা নোং চুরকপা য়াবগী ফিভম লৈরি। উধমসিংনগর, হরিদ্বার, দেহরাদুন দিষ্ট্রিক্টশিংদা অকনবা নোং চুরকপা য়াই হায়না মেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অসিগী কোনুংদা অকনবা নোং চুদ্রবসু মফম অদুগী শাবগী চাং হন্থবগা লোয়ননা দিগ্রি সেলসিয়স ৩০.১দা লৈরি হায়রি।

মেট দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না লোধি রোদতা ফংখিবা টেতাদা ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৫০ ফাওবদা চুখিবা নোংগী চাং ২.৫ এম এম ওই হায়রি।

দিল্লিগী মফম কয়াদা খ্বাইদগী ঈংবগী চাং দিগ্রি সেলসিয়ন ২৬.৪ ওইখি। নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদ ৮১ দগী ৯৭ ফাওবা লৈখি। উত্তরপ্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা নোং চুবগী চাং সেন্টিমিটর ১০ য়ৌখি।

মমাঙদা মেট দিপার্টমেন্টনা ষ্টেট অদুদা অখাক অরাও য়াওবা অকনবা নোং চুগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। অহিং চুপ্পা চুখিবা নোং অদুনা অলিগর অমসুং মথুরাদা য়ুম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়রি।

বিজনোরগী নাহটোরদা অকনবা নোংজু অদুনা মরম ওইরগা য়ুম নিংখায়রকপদগী চহী ৩০ অমসুং ৩২ শুরবী নুপী মচিন-মনাও শীখ্রে। য়ুম নিংখায়রকপনা মরম ওইরগা মুজাফর নগর অমসুং মথুরাদা অপিকপা অঙাং অমা য়াওনা চহী ৪০ শুরবী নুপী অমা শীখ্রে।

বলরামপুরদা ব্রজ তারকপদগী চহী ২৫ রোম শুরবা মীওই অমা লৈখিদ্রে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মৈনা চীংবা অমসুং শোকহনবদগী মীওই ৩ লায়কন্নখি।

পঞ্জাব, হরিয়ানাদসু অকনবা নোং চুরি। পঞ্জাবকী পটিয়ালা, লুধিয়ানাদা নোং চুবনা মরম ওইরগা শাবগী চাং হন্থরে হায়রি।

# কাস্মিরগী মীচমশিং মিলিটেন্ট ওইনা লৌরি ঃ অজাদ



কংগ্রেস লুচিংবা গুলামনবি অজাদ

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৮ঃ*

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবদা কাস্মিরদা ওইরিবা ফিভম অদু লাকশিন্নবা মীয়ামগা ৱারী শান্নবা হোৎনবা য়াবা কয়া হোৎনরি।

কাস্মিরগী থৌদোক অসিদা লৈঙাক অসিনা কয়ারক হন্না ফিভম অসি লাকশিন্নবা হোৎনখিবা লৈখ্রে। জুলাই ৮দা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী বুরহান ৱানি হাৎখিবা মতুং ষ্টেট অদুগী ওইরিবা ফিভম রাজ্য সভাদা খন্নরি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীওই ৪০ রোম হাৎখ্রে। অদুগা মীওই লিশিং ২ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে। চায়থোরকপা নোংমৈ মরুনা শোকহনবদগী মীওই কয়াগী মীৎ শোকহনখ্রে। কাস্মিরদা চুংশিন্নদুনা লৈঙাক পায়রিবা পি দি পি অমসুং বি জে পিনা মীয়ামগী থাজবা ঙাকপা ঙমদ্রে হায়না কংগ্রেসকী লুচিংবা গুলাম নবি অজাদনা ফোঙদোরক্লি।

কাস্মিরগী মীচমশিং লালহৌবা মিলিটেন্ট অমগুম উরি। অদুগুম্বা মীচমশিং অদু চানবিদুনা লালহৌবা অমা ওইনা লৌরোইদবনি। মখোয়গী মথক্তা চুন্নদবা ফোর্স শীজিন্নরোইদবনি হায়খি।

জম্মু অমসুং কাস্মিরগী কংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক অসিগা লোয়ননা মিলিটেন্টশিংগী ইরাং লোয়শিনবদি ঙমখিবা য়াই। অদুম ওইমক অদুগুম্বা থৌশিল অদুদা মীয়াম্না মতেং পীরক্লোই।

গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্স পাস তৌবগী মতাংদা লৈঙাক অসিনা ওপোজিসনগী মতেং দরকর ওইরি। হিরম অসিগা মরী লৈননা কাস্মিরগী ৱাথোক অসিসু খন্নবা লোক সভাদা পুখৎলকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা কংগ্রেসকী লুচিংবা অদুনা শীরিবা মরাল অদুগী মায়োক্তা হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা অদুগুম্বা ফিভম অদু থেংনবা তাই। তোখায় তানিংবা অমসুং মীচমশিং তোঙান্না তাদুনা লৈ। মদু লৈবাক অসিগী ওইবা ৱাখল্লোনদা য়েংগদবনি।

কাস্মিরদা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা কার্ফ্যু থল্লি। লমদম অদুদা শেল ফোন অমসুং ইন্টর্নেট থিংজিল্দুনা থল্লি। মদু লমদম অদুদা সোসিয়েল মেদিয়া অমসুং পাউ-চেশিং শীজিন্নদুনা পামদবা অমসুং ৱাথোক ওইনিংঙাই ওইবা ৱাফম ফোঙদোকরপা থিংননবনি।

ৱানি (২২) কাস্মিরগী অনৌবা মিলিটেন্ট অমনি। মহাক অদুগুম্বা লালহৌবগী ৱাখল্লোল লৈবা ইমুং অমদগী হৌরক্তুনা মহে-মশিং তম্লকখিবা মীওইনি হায়রি।

# টিবেটতা উন নিংখায়রকপদগী মীওই ৯ শীরে

*বৈজিং, জুলাই ১৮ঃ*

হিমালয়াগী লমদম ওইরিবা টিবেটতা উন নিংখায়রকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শীখ্রে হায়না টিবেট ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু টিবেটকী কোনুং লাসাদগী কিলোমিটর ১০০০ রোম চৎলগা লৈবা দুংগ্রতগী নগরিদা লৈবা মীওইশিংনি।

চাইনাগী ওফিসিয়েল ন্যুজ এজেন্সি জিনহুৱানা ফোঙদোরকখিবদা মিটর ৮ লোম থাবা উনগী লৈরোল নিংখায়রক্তুনা তাশিল্লকপদা মীওই ৯ ননশিন্দুনা শীখ্রে। অদুগা লমদম অদুদা লৈবা য়াক অমসুং য়াও মথং শীৎনা ১১০ অমসুং ৩৫০সু শীহনখ্রে হায়রি।

লমদম অদু উনগী গ্লেসিয়র কয়ানা কোয়শিন্দুনা লৈবনি। মখা তানা উন নিংখায়রকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

টিবেটকী অৱাং নোংচুপ থংবা মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা লৈবা অঙম্বা চীংগী চীংমায়দা লৈবা ফার্মশিং চাওনা অমাং অতা থোক্লে হায়রি।

# টর্কি কু তৌননবা হোৎনরকখিবা মতুং ওফিসিয়েল ৯০০০ লৌথোকখ্রে

*ইষ্টানবুল, জুলাই ১৮ঃ*

টর্কিদা লান্মী কাংলুপ অমনা কু তৌননবা হোৎনরকপা মায় পাকখিদ্রবা মতুং টর্কি লৈঙাক্লা ওফিসিয়েল ৯০০০ লৌথোকখ্রে।

টর্কিগী প্রসিদেন্ট টায়িপ ইরদোগন লৈঙাক লান্মীনা কু তৌননবা হোৎনরকপা মায় পাকখিদ্রবা মতুং লৈঙাক অদুনা লৌখৎলকখিবা খোঙথাংগী মতুং ইন্না ওফিসিয়েল কয়া লৌথোকখিবনি।

লৌথোকখ্রবা পাব্লিক পার্সোনেল ৮,৭৭৭গী মনুংদা পুলিস পার্সোনেল কয়া য়াওরি। মদুতা নত্তনা প্রোভিন্সিয়েল গভর্নর অমা অমসুং সহর কয়াগী গভর্নর ২৯ ফম লৌথোকখিবদা য়াওরি হায়খি।

লৈবাক অদুগী মনুংগী চেকশিন থৌরাংগীদমক মথৌ তৌহনবা পুলিস পার্সোনেল ৬১৪ থবক লৌথোকখিবশিংগী মনুংদা য়াওরি। টর্কিদা লান্মীনা কু তৌননবা হোৎনরকপদা মীওই ২৯০গী পুন্সি মাংখ্রে। ইরদোগননা মরাল শীখিবদা য়ু এস বেজ টর্কি ক্লারিক ফেথুলা বুলেন শৌগৎপা মীওই কয়া কু তৌনবা হোৎনরকখিবা অদুদা য়াওখি হায়রি।

সনা-সুদোকু- ৬৪৩ গী সোল্যুস

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 8 | 9 | 2 | 6 | 3 | 1 | 5 |
| 1 | 3 | 2 | 4 | 5 | 8 | 6 | 7 | 9 |
| 6 | 5 | 9 | 1 | 3 | 7 | 8 | 2 | 4 |
| 7 | 6 | 1 | 5 | 8 | 3 | 4 | 9 | 2 |
| 9 | 4 | 3 | 6 | 1 | 2 | 5 | 8 | 7 |
| 8 | 2 | 5 | 7 | 4 | 9 | 1 | 6 | 3 |
| 2 | 9 | 4 | 3 | 6 | 1 | 7 | 5 | 8 |
| 5 | 8 | 6 | 2 | 7 | 4 | 9 | 3 | 1 |
| 3 | 1 | 7 | 8 | 9 | 5 | 2 | 4 | 6 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-644**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | 1 | 5 |
| | | | | 5 | 8 | | 7 | 9 |
| 6 | | 9 | | | | | | |
| | 6 | 1 | 5 | | 3 | 4 | 9 | |
| | | | 6 | | 2 | | | |
| | 2 | 5 | | 4 | | 1 | | 3 |
| 2 | | | | 6 | 1 | | | 8 |
| | | | | 7 | | 9 | | 1 |
| 3 | | | 8 | | 5 | 2 | | 6 |

# থা ৩দা অঙাং ১৮ শীখ্রবা মতুং উরিষাদা টাক্স ফোর্স লিংখৎখ্রে

*ভুবনেশ্বর, জুলাই ১৮ঃ*

উরিষাগী রিছোর্স কয়া লৈবা জয়পুরগী সুকিন্দা খুঙ্গংদা হৌখিবা থা ৩গী মনুংদা অঙাং ১৮ শীহনখিবা মতুং উরিষা লৈঙাক্লা টাক্স ফোর্স অমা শেমদুনা থিগৎনবা থবক পায়খৎখ্রে।

সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার আর বালকৃষ্ণনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না টাক্স ফোর্স অদু শেমখিবনি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না ষ্টেট অদুগী তোঙান-তোঙানবা খুঙ্গং লমশিংদা হক-শেল, মহৈ-মশিং, কম্যুনিকেসন, মৈ অমসুং থক্লবা ঈশিং ফংদবগী ৱাফম য়াওরি।

ফিভম অদু য়েংলগা টাক্স ফোর্স অদু শেমখিবনি হায়না রেভিন্যু দিভিজনেল কম্মিস্নারনা ফোঙদোরক্লি। রেভিন্যু দিভলপমেন্ট কম্মিস্নারনা চয়োল খুদিংগী ওইনা নাগদা লমদমদা ওইরিবা ফিভমশিংগী রিপোর্ট পীখৎলকখি।

লমদম অদুদা পায়খৎলিবা ফুদ সিক্যুরিটি, হকশেল, মহৈ-মশিং, লম্বী-থোং অমসুং থক্লবা ঈশিং ফংহনবগী মতাংদা য়েংশিন্নবা নোদেল ওফিসার ৫ হাপ্লে হায়রি।

নাগদা সুকিন্দা ক্রোক্কী মিনরেল মরাং কায়না লৈবা অশুকপা চীংগী চীংচেপতা লৈবা মফম অমনি। হায়রিবা মফম অদু সুকিন্দা ক্রোমাইট ভেল্লি অমসুং কলিঙ্গানগর ইন্দষ্ট্রিয়েল কমপ্লেক্সতগী মথং শীৎনা কিলোমিটর ৩০ অমসু ৫০ লাপ্না লৈবা মফম অমনি।

গারী চৎপা য়াবা লম্বী ফংনবগীদমক লমদম অদুদা লৈবা মীওইশিংনা খোঙনা কিলোমিটর ১৫ রোম লাকপা তঙাইফদে। অদুম ওইনমক ষ্টেট লৈঙাক্লা লমদম অদুগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি। অদুবু মফমশিং অদুদদি য়ৌহনবা ঙমদে হায়রি।


## JOB VACANCY

Regd. no. 1400621-03550 pt-1 (micro under the Govt. of Manipur)

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| **1.** | **POST VACANCY FOR MICRO FINANCE IN IMPHAL** | | | |
| i) | Manager | 05 | Graduate | 7,000-18,000 |
| ii) | Accountant | 20 | xii | 7,000-18,000 |
| iii) | Loan Inspector | 25 | xii | 6,000-12,000 |
| iv) | Recovery/Collector | 55 | x | 5,000-16,000 |
| v) | Reception | 15 | x | 5,500-16,000 |
| **2.** | **URGENTLY REQUIRED BANKING STAFF IN MANIPUR** | | | |
| i) | Banking Sitting Staff | 20 | xii/Graduate | 18,000-28,000 |
| ii) | Manager (CSO) | 05 | xii/Graduate | 23,000-30,000 |
| iii) | A/C Opening Staff | 10 | xii/Graduate | 14,000-25,000 |
| iv) | Sake Officer | 10 | xii/Graduate | 13,000-20,000 |
| v) | Loan Officer | 15 | xii/Graduate | 15,000-28,000 |
| **3.** | **SECURITY GUARD IN MANIPUR 100% SUCCESS** | | | |
| i) | Normal Guard/VIP Guard | 15 | viii/x | 5,000-15,000 |
| ii) | Ex-Servicement/Supervision | 10 | x/xii | 7,000-18,000 |
| **4.** | **AIRPORT VACANCY ALL OVER IN INDIA (DIRECT PLACEMENT 100 % SUCCESS)** | | | |
| i) | Ground Officer | 15 | xii/Graduate | 18,000-55,000 |
| ii) | Weight Checking | 20 | x/xii | 12,000-35,000 |
| iii) | Air Cabin (2 month train) | 15 | xii | 40,000-80,000 |
| iv) | Loander/Clear/Cargo Asst. | 20 | viii/x | 12,000-30,000 |
| v) | Air Ticketing | 10 | xii/Graduate | 17,000-50,000 |
| **5.** | **URGENTLY POST VACANCY IN MANIPUR** | | | |
| i) | Sales Manager | 10 | x/xii | 10,000-25,000 |
| ii) | Sales Executive | 15 | x/xii | 6,000-18,000 |
| iii) | Computer Data Entry | 10 | x/xii | 5,000-20,000 |
| iv) | Helper/Waiter/Mall | 40 | vii/x | 5,000-15,000 |
| v) | Computer Tally/ATM Guard | 10 | x/xii | 10,000-35,000 |
| vi) | GNM/ANM/BSC | 10 | xii/Graduate | 5,000-35,000 |

Extra income & part time job work from home, students, housewife, emoloyed/unemployed can earn 10,000/to 20,000/per month (viii pass above)

Interview on : 29th July, 2016
Last submission : 28th July, 2016
Office Hour : 10.00 am - 4.00 pm
✆ : 8014741601, 8257094397
RISING STAR COLABORATION
Kwakeithel Thouda Bhabok Leikai
SL/B/19,21,23,24,25,26,27,28

## JOB VACANCY

Regd. no. 59905R/IW/1985 Govt. of Manipur

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| **1.** | **POST VACANCY FOR BANKING STAFF:** | | | |
| i) | Banking Sitting Staff (Operation/Sales) | 13 | XII/Grad | 18,000-60,000 |
| ii) | Account Opening, Banking Office (Sitting/Teller/ Cashier/Loan Officer) | 15 | XII/Grad. | 15,000-25,000 |
| iii) | Data Entry/Bank Mobile Banking | 20 | X/XII/Grad. | 12,000-30,000 |
| iv) | ATM Guard/Gunmen/Bank security | 20 | VIII/X/XII | 10,000-25,000 |
| **2.** | **ALL INDIA POST VACANCY FOR AIRPORT AND AIRLINES :** | | | |
| i) | Ground Leader CSA/Air Tickeing | 20 | XII/Grad. | 15,000-60,000 |
| ii) | Air Hostess/Cabin Crew/Stewards | 20 | XII(Appear) | 65,000-3 lakhs |
| iii) | Hospitality Industry Staff/Hostess | 25 | XII/Grad. | 20,000-60,000 |
| iv) | Loader/Weight Checking/Driver/Cleaner | 20 | X/XII | 20,000-35,000 |
| **3.** | **IMPHAL POST VACANCY FOR NGO'S PRIVATE FARM/ HOSPITALS/MALLS/SHOPS :** | | | |
| i) | Reception/LDC/Attendant/Sales Officer | 10 | VIII/X/XII | 6,000-8,000 |
| ii) | Asst. Manager/Field Officer/Recovery | 8 | XII/Grad. | 5,000-12,000 |
| iii) | Nurse/x-ray tech./Attendant/Sweeper | 10 | X/XII | 6,000-15,000 |
| iv) | V.I.P. Gun men, Guard/Normal Guard | 10 | VIII/X | 7,000-18,000 |
| v) | Front Office, Cashier, Sales Boy/Girls | 15 | X/XII | 4,500-10,000 |
| vi) | Security (simple)/Gunmen (Pune) | 20 | VIII/X | 13,500+ |

Interview on : 22nd July, 2016
Last submission : 21st July, 2016
✆ : 8119868884/8794941724
SL/B/19,20,21
Sd/-
WESTERN ENTERPRISES
Kanglapak, ADAARSH BUILDING

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KAZAKHSTAN & CHINA

10th Times Installment to be paid Within 5 Years
NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE
# NOTICE #
No Free Laptop, No Free Mobile
No, Free For Travelling Fare
No Free Tab
GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI

B. Tech/BE (☞ Rs. 70,000/ yr)
Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC

B.Sc Nursing, GNM & BPT (Physiotheraphy) at Guwahati & Bangalore

Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun

Regional Office :-
Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATION TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy,
Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
✆ 9856167106 ✆ 8259867645

SL/B/14th July- 20th Sept. 2016